রিমসকী জুবিলি হোলদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), ইম্ফালগী ৫৩ শুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন্দা মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ খূৎশিন্নখিবা

য়ুনিভর্সেল ফেমিলি পার্টিগী প্রসিদেন্ট ঙাশেপ্পম নিলকান্তনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পার্টি অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা থেংনরিবা ৱাথোক খূদিং ৱারোইশিন পুরক্নবগী মতাংদা ৱারোল কয়া ফোঙদোকখিবা

Regd. No. 56/257/2020-24/PPS-I
www.universalfamilyparty.com
contact@universalfamilyparty.com
hok Awang Leikai, Im Vest. Manipur-7

মণিপুরদগী তুং হনবা লমশাং লমজেল চেনখিবা পোইরৌখোংজিল মনারৈ মখোঙদগী কিরন মৈতৈ কোন্থৌজমনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্ট য়ৌরকপদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মীতৈ তাবা খুলশিংগী মীওইশিংনা তরাম্না ওকখিবা

লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লাঞ্জেন্নরকপদা মখোঙ শোকপদগী ওপরেসন তৌদুনা রিমসকী পি এম আর ৱার্দতা লৈরিবী ভেলেন্টিনাদা লুপা লীশিং ১০ মতেং পাংখিবা

PMR
CASH
LIKE MINDED GROUP
LMG
MANIPUR

খুল ঙাকপশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থোকচোম খুলগী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা মশা-মশাগী লৈজবা অঙন্বা শেল খায়জিন্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দ খুলগী খুল ঙাকপশিংদা চান-থক্নবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী লুচিংবী মৈস্নাম মংলেম্বী অমসুং ইমা য়াইফবী অনীনা খুল ঙাক্লিবশিংগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান্দাদগী খুল ঙাক্নবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মতম পুম্নমক্তা মখোয়গীদমক ইমা-ইবেলশিংনসু লেপ্লি। মখোয়গীদমক অঙন্বা তেংবাঙ পীখিগনি হায়বসি থবক ওইনা উৎনবগীদমক ঙসিগী তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরমসি পাঙথোকপনি হায়খি। খুল অনী অসি কুকি টেররিষ্টশিংনা তোয়না লান্দারকপা মফম ওইরিবনি।

শিব সেনানা কুকি এম এল এ ১০গী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা চথরক্লিবা লান্দা অসিগীদমক সেন্ট্রেল ফোর্স মশীং য়াম্না মণিপুরদা থাজিল্লক্লগসু লান লেপ্পা লৈতে। ঙসি ফাওবা লানসি মখা চথরক্তুনা থা ১৬ মপুং ফারক্লবা ফাওবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরি। অসিগুম্বা লান অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা থবক লৌখৎলু হায়না শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা লুচিংবা টিম অমনা তোঙান তোঙানবা পোইন্টশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা পীশিনখ্রে হায়রি।

এম তোম্বীনা মেমোরেন্দম অদু ঙসি ন্যু দেল্লিদা লৈবা শিব সেনাগী নেসনল লিদর রাহুল সিৱালেগী খূত্থাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবনি। ঙসি মহাক্না শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা য়াওখিবা মরু ওইবা ৱারোলদি, মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পিনা থা ১৬ মপুং ফারক্লবা লান অসি লাকশিনবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা ষ্টেট লৈঙাক্তা চপ চাবা পৱার খূৎশিন্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা মথৌ পাঙথোকহল্লু হায়বা ৱাফম য়াওরি।

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ঈরাংসি লাকশিন্দুনা লাঞ্জেন্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওই লীশিং ৬০ রোম অসিগী ময়ূম মতিক চানা শাদুনা লৈবা য়াবা মফম অমা লৈঙাক্না পীগদবনি। ইনমেটশিং অসিগী পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনসু লৈঙাক্না অৱাবা তারবা লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিং অসিদা পীবীগদবনি। মসিগী মথক্তা মখোয়বু মান্নবা থাক্তা তংদু লৈতানা খুন্দা-লৈতাবা ঙম্নবা শীনবীয়ু। মণিপুরগী ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক লোইশিন্দুনা এন আর সী লমদমসিদা অথুবা মতমগী মনুংদা চৎনহন্দুনা ষ্টেটসিগা য়ূম্লোন্নরিবা ম্যান্মারদগী লোথুগায়দুনা চঙলকখ্রবা কুকি জোশিং মরমদমদা হলহনখিনবা তকথোক্লবগীদমক অকনবা থবক লৌখৎলু। হৌজিক ফাওবা চথরক্লিবা লানসিদা মীওই ২৫০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা মীওই লীশিং ৬০ রোম্না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি হায়বা ৱাফমসু মেমোরেন্দম অদুদা য়াওখি।

ঙসি পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরগী মরু ওইবা পুকচাক লম্বী নেসনল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমদি নেসনল হায়ৱে-২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীসিদা মীয়াম্না মহৌশাগুম মনিং তম্না চৎপদা অপনবা পীদবা, অকি-অখঙ পোকহল্লিবশিংসি মখা তানা লৈহনগনু। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা বি জে পিগী মরু ওইবা মিনিষ্টর অনী য়াওনা পার্টি অসিগী এম এল এ ৭ অমদি কে পি এগী এম এল ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১ য়াওনা মখোয়গী ফমদগী লৌথোকউ হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

নীংশিংবা য়াই, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমদি ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা মরু ওইনা মীতৈশিং চৎপদা অথিংবা লৈরি। তঙাইফদনা মীতৈশিংনা মণিপুরগী ৱাংমদা চৎকে হায়রবদি নোংথক্কী লম্বীদা চত্তুনা অহেনবা চাদিং কয়া তিংলিবনি।

তমথীরবা টেররিষ্টকী থৌওং খুদক্তা থিংদুনা তংদু-লৈতাবা পুরকউ : অপাবী লৈমা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা কুকি জো টেররিষ্টশিংনা মীচম-মীয়ামগী মথক্তা য়ূম মৈ থাবা, হাৎপা-তুপ্পা কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা থিংবা ঙমদ্রি। হেন্নদুম অকনবা মওংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১, ২০২৪দা কৌত্রুকতা দ্রোন বোমিং তৌদুনা মীচম হাৎপা অমদি মোইরাংদা মিসাইল কাপশিন্দুনা মীচম হাৎপগী থৌদোকশিং চথরকপা লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌওংশিংসিদা খোয়শাওনরবা লমদমসিগী মীয়াম্না লৈঙাকসিগী মায়োক্তা অসিগুম্বা তমথীরবা টেররিষ্টকী থৌওংসিবু খুদক্তা থিংদুনা তংদু লৈতাবা পুরকউ হায়বা খোল্লাও লাউদুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। অসিগুম্বা খোঙজং চঙশিনবা মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংবু ফূ-চৈবা, টিয়ার গ্যাস, মোক বোম কাপশিনবনচিংবা চথুদুনা অশোক-অপন নংহল্লিবা কয়াসি লৈঙাকসিগী কা হেঞ্জিনবা থৌওং অমনি হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম) অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ)না লৌইহায়না পি এল এম পি এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ অপাবী লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, থা অসিগী ১১দা ককৱাদা মহৈরোয় খোঙজংলোয়শিংবু পুলিসনা তানখায়রিবনি হায়দুনা য়ূম্লক-লৈরক্তা টিয়ার গ্যাস, মোক বোম কাপশিন্দুনা মীচমশিং শোকহনখিবা য়ানিংদে। থৌদোকসিনা মরম ওইদুনা ময়ূমদা লৈজবী লাইশ্রম ওংবী সঞ্জিতা শিবা চঙবা খঙদনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা পুলিসকী কা হেনবা থৌওংসি য়াম্না হকচিন্না কন্দেম তৌই। কুকি জো টেররিষ্টশিংনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১দা কৌত্রুকতা বোমিং তৌবা, মোইরাংদা মিসাইল কাপশিনবগী থৌদোকসিবু প্রেস মীদিয়াগী খূত্থাংদা কুকিশিংনা দ্রোন বোমিং চথবা অমদি মিসাইল কাপখিবা লৈতে হায়না অসাম রাইফলসতা হান্না দি জি ওইরম্বা পি সী নায়রনা হায়খিবসিমক য়াম্না চাউনা লৌতুনবা অমা য়াওরব্রা হায়না হংদবা ঙমদে।

মহাক্না অসাম রাইফলসকী দি জি ওইরিঙৈদা মণিপুর অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্লে হায়রোইদবগী মরম করি লৈবগে। কৌত্রুকতা দ্রোন বোমিং তৌদুনা মৌনহা অমা হাৎপা, অঙাং অমা শোকহনবা, মোইরাংদা মিসাইল কাপশিন্দুনা লাইনিংগী থবক তৌজবা অহল অমা হাৎখিবা কয়াসি চেনবা য়াররোইদবা থৌদোক্লি। মসিবু চথুখিবা লৈতে হায়না মীদিয়াদা ফোংনা হায়বা ঙম্বসিমক অসাম রাইফলসনা মণিপুরদা করি থৌদাং লৌরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলক্লে। পি সী নায়রগী ৱাফম পি এল এম পি এ এম অমদি এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এনা কন্দেম তৌরক্লি।

‘ব্রিজদম ফাউন্দেসন রেসিদেন্সিএল স্কুলগী ওথোরিটি চঙজরকখ্রে’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হট্টা মিনুথোংদা লৈবা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এস ও) হেদ ক্বার্টরদা ৱিজদম ফাউন্দেসন এ রেসিদেন্সিএল স্কুল, খাঙবোক্কী স্কুল ওথোরিটিনা চঙজরকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, থা অসিগী ৫, শগোলশেন নুমিত্তা পাঙল মহৈরোয়শিংনা চাবা য়াদবা হূইশা য়াওবা চীঞ্জাক পীজরুবা অমদি হিজাব শীজিন্নবা থিংবা অদু লাল্লে হায়জররে হায়রি। মসিগীদমক ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা মখা তানা ৱাফমশিংসি এ এম এম এস ও অমদি স্কুল ওথোরিটি অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকখ্রে।

য়ানখিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা স্কুল অসিগী ওথোরিটিনা মণিপুরগী মীয়াম অমদি মরু ওইনা পাঙল মীয়ামদা লাল্লে হায়জবা, মখা তানা অমুক হন্না শোয়দনবা হোৎনবা অমদি অমুক হন্না অসিগুম্বা থবকশিংসি তৌররোই হায়বা ৱাফমশিংদা য়ানখি। স্কুল অসিগী ওথোরিটিনা হীরমসিগী মতাংদা চেন্নরিবা কুককী মথক্তা কেস অমা পুলিসতা রেজিষ্টর তৌরে অমদি মতম চুপ্পগী ওইনা হায়রিবা কুক, ৱার্দেন অনীমক স্কুল অসিদগী তান্থোকপা হায়নসু য়ানখ্রে। কাঙলুপ, ফুরুপ পুম্নমক্কী ফুন্দ কলচরবু স্কুল অসিনা ঈকায় খুম্নবা অমদি কম্মন ফুন্দ খক্তমক মহৈরোয়শিংদা পীবা হায়নসু য়ানখি। থোকখ্রিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংগী মরক্তগী স্কুল অসিদগী ৱিদ্রো তৌবা পাম্লবদি স্কুল ওথোরিটিনা অথিংবা পীদবা, পাঙল মহৈরোয়শিংনা হিজাব শীজিন্নবদা অথিংবা পীদবা অমদি ইরাই খূদিংগী লাইশোল মতম পীবদসু য়ানখিবগা লোয়ননা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকখ্রে হায়রি।

মণিপুরদগী হৌখিবা তুং হনবা লমশাং লমজেল কছারদা ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদগী হৌখিবা তুং হনবা লমশাং লমজেল চেন্দুনা অসামগী কছার য়ৌরকখ্রবা য়াইরিপোক পোইরৌখোংজিল, মনারৈ মখোঙ মণিপুরদগী কিরন মৈতৈ কোন্থৌজমবু রুরেল দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (আর দি সী), লক্ষিপুর খুনৌ, ৱিমেন এক্সন কম্মিটি ফোর ভিলেজ প্রোটেক্সন, খুনৌ মৈরা পায়বী, এ এম এম পি এ এল, রুরেল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, পল্লার্বোন অমদি তোঙান তোঙানবা কছারদা লৈবা লূপশিংনা মাগী-মাগী খুলশিংদা তরাম্না ওকখ্রে।

কিরন মৈতৈ কোন্থৌজম তুংহন লমজেল অসিদা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীতৈশিংনা নম্না খুন্দাবা খুলশিং বিনাকান্দি, লক্ষিপুর খুমন, তোলেন খুল অমদি পল্লার্বোননচিংবা খুলশিংদা চৎখি।

খুলশিং অদুদা মহাকপু ওক্লম্বা মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা কিরন মৈতৈনা হায়খিবদা, কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা মরু ওইনা মীতৈশিংগী মথক্তা চথরক্লিবা লান্দা অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা লাকশিনবীদবা অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। অসিগুম্বা লৈঙাক অনীগী থৌওংসিবু পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা ঐহাক্না তুং হনবা লমশাং লমজেলসি চেল্লিবনি। করিগুম্বা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা লানসি লোইশিনবীদ্রবদি মহাক্না চথরিব তুং হনবা লমশাং লমজেল অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা চথরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, কিরন মৈতৈ কোন্থৌজমনা চথরক্লিবা তুং হনবা লমজেল অসি চহীসিগী হৌখিবা জুলাই ২৬তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাঙবোক্কী রিলিফ কেম্প অমদগী লমথাখিবনি। অমরোমদা, কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা চথরক্লিবা লান্দা অসি অনৌবা লাল্লোংগা লোয়ননা চহী অমা মখায় হেঞ্জিল্লক্লবনি।

এন এস কে দি ঈ এসগী ফাউন্দর ৱারক-ৱাতেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জুলাই ২৩দা মহৈরোয় নুপীমচা অমদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংলম্বগীদমক এন এস কে দি ঈ এস, ইতম নুঙ্গৈই হায়রিবা স্কুল অসিগী ফাউন্দর অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-৫৮, চলৌনা ফাগৎলবা মতুংদা ৱারক-ৱাতেমখ্রে হায়না অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-৫৮গী কন্ত্রোল রুমদগী এল পুন্সিবা অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, য়ুনিট অসিগী মায়কৈদগী ৱারক-ৱাতেল্লবা মতুংদা ইতম নুঙ্গৈই খুল, ইতম নুঙ্গৈই ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমদি ইতম নুঙ্গৈই জুবেনাইল ক্লবশিং অসিগী মেম্বরশিংনা পুল্লবা মতুংদা খুল অসিগী চৎনবীগী মতুংইন্না মহাক্না লংশিনখিবা মরাল অদুগীদমক স্কুল অসিগী ফাউন্দর অসিবু মতম কক্তনা ইতম নুঙ্গৈই খুল অসিদগী তান্থোকখ্রে। লোয়ননা ভিক্তিম ওইহৌরবী মহৈরোয় নুপীমচা অদুগী ইমুং-মনুং, ইতম নুঙ্গৈই খুল মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-৫৮গা পুন্না খন্নরবা মতুংদা ভিক্তিম ওইরিবী মহৈরোয়সিগী তুংগী মহৈ-মশিন তম্বদা চঙগদবা পুম্নমক স্কুল অসিগী ফাউন্দরনা পুথোকহনখ্রে হায়রি।

[illegible]

[illegible] [illegible]

লমদমসিদা পাঙথোকপা ইলেক্সন খূদিংদা শেল অমদি মতম চঙহন্দনা, মুক্নবা, হাৎন-শুনবা য়াওদনা পাঙথোক্লগনি : নিলকান্ত খুমন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মীওইবা খুন্নাইদা থেংনরিবা ৱাথোক খূদিংমক অমুক্তদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা চাকথুং-ফিথুং মান্নবা, তংদু লৈতাবা, মুক্নবা অমদি হাৎন-শুনবা য়াওদবা, লান লৈতবা মালেম অমা পুরক্নবা খোঙথাং য়ুনিভর্সেল ফেমিলি পার্টিনা লৌখৎলগনি হায়না ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি পার্টি (য়ু এফ পি)গী প্রসিদেন্ট নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনল এৱার্দী ঙাশেপ্পম নিলকান্ত খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা য়ু এফ পিনা থল্লিবা পান্দমশিং মচা খায়না ফোঙদোকখিবদা লমদমসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী চরাংনবা লোইশিল্লগনি। ইলেক্সন খূদিংমক শেল অমদি মতম চঙহন্দনা, মুক্নবা, হাৎন-শুনবা য়াওদনা পাঙথোক্লগনি। মীয়ামগী মীহুৎশিং লৈঙাক্কী থৌ পায়রিবা খূদিংমক্তগী শেল শীজিন্নবগী রাইট লৌথোক্কনি। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, এম পিশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংগা ভোট থাদবগী রাইট ফংলবা ভোটর খূদিংমক্ক চপ মান্নবা পূন্সি মহিং অমদা পুরক্কনি। লৈঙাক্কী চৎন-লোনচৎ খূদিংমক পীকশিনবা য়াবা পীকশিন্দুনা মীপুম খূদিংমক্না লৈঙাক্কী থবক থৌরম খূদিং শরুক য়াহন্দুনা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা লৈঙাক্লোন অমা পুরক্কনি। বোম-তোপ, নোংমৈ, থাঙ-তেন খূদিংমক মফম চানা লোইশিনগনি। থাজনবা অমদি থম্মোয় শেংবা কথোক্কবনা মখল কয়াগী টেক্স খূদিংমক জিরোদা থমদুনা লৈবাক অসি ঙাক শেনমিন্নগনি। লৈবাক অসিগী মমা-মপা ওইবা খূদিংমক্তগী মচাশিং শেম্বগী অৱাবা কোকথোক্কনি। মীপুম খূদিংমক লৈঙাক মপুগী চাংনাইবা থবক্না কোনশিনগনি। লৈবাক অসিগী খুঙ্গং খূদিংদা য়ূম-কৈ শাবা, লম্বী-থোং শেম্বা, মহৈ-মশিন তম্বা, লৌউ-শিংউ, থক্ক-চানবা ঈশিং, মৈ অমদি ঈ-পাউ ফাওনবা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিগী থবক খূদিংমক শীন্নরগনি। লৈঙাক অসিগী অহাংবা থবক খূদিংমক খুদক্তা লৌশিনগনি। নোংমগী মনুংদা থবক খনবগী রিজল্ট লাউথোক্কনি। লায়েং কাঙলোনদা ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা খুঙ্গং খূদিংগী য়ুমথোঙ খূদিং চঙদুনা অনা-লায়েং চথহনগনি।

ৱায়েলশঙ খূদিংমক্তা লাকপা ৱাকৎ খূদিংমক চয়োল অমগী মনুংদা ৱারোইশিন পীহন্নবা হোৎনগনি। শান্ন-খোৎনবগী লমদা লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক তীঞ্জং-কায়জংদবা অনা-অয়েক য়াওদবা ওইনবা খুঙ্গং খূদিংদা, লৈকায় খূদিংদা মতম অসিগী ঙমখৈ লৈতনা চাওখৎলক্লিবা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী মতেংগা লোয়ননা শান্নবুংশিং থমগনি। লৌউ-শিংউগী লমদসু লৈবাক অসিগী লৌউ-শিংউ লোয়শঙ অসি পার্টিসিগী খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাং ওইনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী অচৌবা মতেংগা লোয়ননা লৌফমশিং নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমগনি। মীপুম খূদিংমক লৌউ-শিংউবগী লমদা শরুক য়াহনগনি।

পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদসু খুঙ্গং খূদিং মীশিংগী য়েংদুনা নীংথিরবা ৱাটর সপ্লাই থমগনি। অচৌবা ঈশিং লৌফম লৈত্রবদি খুঙ্গং অদুগী মফম চাবা য়েংলগা চহী ৩ ঈশিং পীবা কোন্নবা অচৌবা পূখ্রি থমগনি। য়ুমথোঙ খূদিংগী চাকখুম খূদিং, খোঙ হাম্ফম, ঈরুজফম খূদিং অফবা ঈশিং পাইপ শমদুনা ঈশিং য়ৌহনগনি। খুঙ্গং খূদিং মতমসিগী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী অচৌবা মতেংগা লোয়ননা পুথোক্করক্লিবা আর ও প্লান্ট থমদুনা মীপুম খূদিংমক্না ঈশিং লৈরগা থক্তনবা হোৎনগনি। ইন্দষ্ট্রিগী মায়কৈদসু লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রি খূদিংমক সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী অচৌবা মতেংগা লোয়ননা খুঙ্গং অমদি লৈকায় খূদিংদা মীওইবা খুন্নাইগী পূন্সি খোঙচত্তা তঙাইফদবা খূদিং য়েংলগা মখল মখা কয়াগী ইন্দষ্ট্রিশিং থল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

রিমসকী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুরনা কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা মপুং ফাবা ষ্টেট ওইরকপগা ইকুই কুইদনা রিজনল মেদিকেল কোলেজ (আর এম সী) হায়না মিংথোন্দুনা লিংখৎখ্রবা মতুং হৌজিক্না রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হায়না ওনখৎখ্রবা ইন্সটিট্যুট অসিগী ৫৩ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমার, রিমসকী হান্নগী দিপার্টমেন্ট ওফ রেস্পিরেটোরি মেদিসিনগী প্রোফেসর অমসুং হেদ প্রোফেসর এন তোম্বী, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজিগী হান্নগী প্রোফেসর কে ঐচ ইবেয়াইমা, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিব, রিমসকী একাদেমীক্কী দিন প্রোফেসর ব্রোজেন সিংহ অকোইজম অমসুং ৫৩শুবা রিমসকী ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসনগী রিসিপসন সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্রোফেসর এ বিরেন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রো. জি সুনিল কুমারনা রিমসকী এন্যুএল রিপোর্ট পাথোক্তুনা ইন্সটিট্যুসন অসিনা হীরম কয়াদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং শন্দাক্না মীয়ামদা খঙহনখি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, রিমসনা শাংলবা চহী কয়াসিদা মেদিকেলগী লমদা অহোংবা কয়া পুরকপদা নত্তনা ঙসিদি মেদিকেলগী মহৈরোয়শিং তাকপী-তম্বীবগী লমদসু মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্লে। মসিদা নত্তনা নর্সিং ইন্সটিট্যুট, দেন্টেল কোলেজনচিংবা মেদিকেলগী লমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং হাংবা ঙম্লে। ঙসিদি অফবা মহৈরোয় কয়াসু মায় পাক্না পুথোকপা ঙম্লে হায়খি।

...মখা লামায় ৮ কলম ১

DIRECT ADMISSION
IN
MBBS/MD
At Top Medical College
in
INDIA
2024-25

PLEASE CONTACT OUR OFFICE NO.
8119982311 / 7483336084
OFFICE ADDRESS:
NEEF (North East Educational Foundation)
Opp. UNACCO School, Khongman
Branch Office, Thoubal

[illegible]

10 YEARS OF EXPERIENCES IN
PROFESSIONAL CAREER COUNSELLING

HL-B/9050/11 to 26 Sept.

[illegible]

[illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্নবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্নবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্নবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/9011/10 Aug. to 19 Sept.